**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 04-11-2025)**

**রাজ্যপাল (এল)ঃ** ইম্ফাল-গুৱাহাতি, ইম্ফাল-কোলকাতা ফাওবা চৎকদবা ইয়ার ইন্দিয়া এক্সপ্রেসকী ফ্লাইট অনি অথুবা মতমদা হৌদোক্লগনি।

রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোলদা হায়-ফ্লাইট অনি অসিগী টিকেৎ মমল লুপা লিশিং তরুকা খ্বাইদগী য়ামগনি। রাজ্য অসিদা মীয়ামগী চৎথোক চৎশিনদা অৱাবা মায়োকরিঙৈ তাল্লক অসিদা ফ্লাইট মশিং হেনগৎলকপা অমসুং ফ্লাইটকী ভারা হন্থরকপদা রাজ্যপালনা কেন্দ্রগী সিভিল এভিয়েসন মন্ত্রালয় অমসুং ইয়ার ইন্দিয়া এক্সপ্রেসপু থাগৎপা ফোংদোরক্লি।

পনবা য়াবদি, রাজ্যপালনা কেন্দ্রগী সিভিল এভিয়েসন মন্ত্রি-কিনজারাপু রাম মোহন নাইদুদা ইম্ফালদগী গুৱাহাতি অমদি কোলকাতাগী ফ্লাইট মশিং হন্থখিবা অমদি টিকেৎ মমল ৱাংখৎলকপা অসি য়েংশিনবীনবা হায়জখিবনি।

**নোনে (এল)ঃ** কেন্দ্রগী গৃহ রাজ্য মন্ত্রি-বন্দি শঞ্জয় কুমারনা ঙসি নোনে জিলাদা চৎত্না জিলা অদুদা পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থৌরাংগী থবক থৌরমশিং হন্না য়েংশিনখ্রে। নুমিৎ হুমিগী খোঙচত্তা কেন্দ্রগী মন্ত্রি অসি ঙরাং ইম্ফালদা থুংলখিবনি।

মন্ত্রিনা ঙসি অয়ুক নোনে জিলাদা চৎতুনা জিলা অদুগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-ডা: সরতচন্দ্র অরোজ্ য়াওনা তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংগী ওফিসিএলশিং য়াওনা পায়খৎলিবা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিংগী মতাংদা খন্ন-নৈনখি। মন্ত্রিনা মফম অদুদা থুংলবগা মফমদুদা তোঙান তোঙানবা ওন্টরপ্রেন্যুয়রশিং অমদি বিভাগশিংনা হাংবা স্তোলশিং য়েংখি। জিলা অদুদা লৈবা সি.এস.ওগী

লুচিংবশিংগসু ৱারী শান্নখি।

মন্ত্রিনা, হয়েং চুরাচান্দপুর জিলাদা চত্তুনা মফম অদুগী ওফিসিয়েলশিংগা উনদুনা এস্পিরেসনেল দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইরিবা চুরাচান্দপুরগী থবক থৌরমশিংগী ফিভম য়েংশিনগনি। মহাকা জিলা অদুদা পায়খৎলিবা প্রোজেক্টশিংগী মফমশিং চত্তুনা য়েংশিনগনি অমসুং মফম অদুগী লুচিংবশিং ষ্টেকহোল্ডরশিং উনদুনা রাজ্য অসিদা হৌজিক ওইরিবা ফিভমশিংগী মতাংদা লোইশিন্নবা ৱাফম কয়া খন্নগনি।

**ভিজিট (এল)ঃ** কেন্দ্রগী ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দিবলপমেন্টকী রাজ্য মন্ত্রি-শ্রীমতি সাবিত্রি ঠাকুর লাক্লিবা শগোলশেন নুমিৎতা জিরিবাম জিলাদা লাক্কদৌরি।

মহাক্কী নুমিৎ নিনিগী ওইবা খোঙচৎ অসিদা জিলা অসিদা পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং য়েংশিনগদৌরি।

**ডে (এল)**ঃ মালেমগী ওইনা রেদিও নেটৱার্কতা খ্বাইদগী পাক চাউনা শন্দোক্লিবা লৈবাক অসিগী অকাশবানিগী চহি ৯০ শুরকপা মপোক কুমওন অদুগা অকাশবানি ইম্ফাল লিংখৎখিবগী চহি ৬০ শুরকপগী দাইম জল্লি থৌরম হয়েং ইম্ফালগী সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা পাঙথোক্কনি।

থৌরম অসিদা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালা য়াওনা মকোক থোংবা ওফিসিএল কয়া শরুক য়াগনি।

থৌরম অসিদা অকাশবানি ইম্ফালগী দাইমন জল্লিগা মরী লৈননা পুথোকপা সোভেনর রাজ্যপালনা ফোংবগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা কালা সংস্কৃত্তিগী থৌরমশিং উৎকনি।

থৌরম অসি মীয়ামনা শরুক য়াবীনবা অকাশবানি ইম্ফালগী হেদ ওফ ওফিসনা হায়রি।

**নোং (এল) ঃ** মনিপুরগী মফম খরদা ঙসি ময়াই ওইরপ নোং চুরি।

ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল সেন্টর ইম্ফালনা হায়-চুরাচান্দপুর, চান্দেল অমসুং নোনে জিলাগী মফম খরদা ময়াই ওইরপ নোং চুরি।

হয়েংনা, চুরাচান্দপুর, নোনে, ফেরজোল, চান্দেল, কামজোং, তমেংলোং, সেনাপতি, উখ্রুল অমসুং জিরিবামদা ময়াই ওইরপ নোং চুগনি হায়রি।

**চুরাচান্দপুর (এল)ঃ** চুরাচান্দপুর জিলাগী খনপী ভিলেজতা ঙসি অয়ুক অঙনবদা সেক্যুরিতি ফোর্সকা য়ু.কে.এন.এগা খূৎ থোকবদা লালহৌলুপ অসিগী কাদর ৪ শিরে।

অসাম রাইফলসকী চেরোল অমনা হায়-আর্মি অমসুং অসাম রাইফলসকী অপুনবা কাংবুনা মফম অদুদা থিবা হুন্থবগী থবক চথরিঙৈদা টেরোরিষ্টশিং অদুনা নোংমৈ কাপশিল্লকখিবনি । মদুদা, সেক্যুরিতি ফোর্সনসু হন্দুনা কাপখি। মদুদা, টেরোরিষ্ট ৪ অদু হাৎখিবনি। য়ু.কে.এন.এগী কাদরশিংনা হন্দক্তা ভিলেজ চিফ অমা হাৎখিবা অমদি মফম অদুদা লৈরিবা মীয়ামদা কিহন খঙহনবগী থবক চথরে হায়বগী পাউ ফংবদগী মফম অদ্দা থিবা হুন্থবগী থবক চথখিবনি। হৌজিকসু মফম অদুদা মখা তানা থি হুন্থবগী থবক চথরি।

**রেবিস (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট হেলথ মীসন সোসাইতি, ইম্ফাল ইষ্টনা শিনদুনা রেবিস লায়নাগী মতাংদা নোংমগী ওইবা ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অমা জেনিমস হোস্পিতালগী লেকচর হোলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

নেসনেল রেবিস কন্ত্রোল প্রোগ্রামগী মখাদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা ষ্টেট সরভিলেন্স ওফিসার-ডা: সনসম গোপালনা হায়-কনাগুম্বা মীওই অমা হুইনা চিক্লবদি খুদক্তা লায়েংশঙদা চৎতুনা লায়েংনবা হোৎনগদবনি। হুইনা চিকপগা খুদক্তা ঈশিং অফবনা নিংথিনা চামথোকপীগদবনি। মহাকা হায়-রাজ্য অসিদা মতমগা চুন্নরবা মোদেল এন্টি রেবিস ক্লিনিক হাংনবা হোৎনরি।

থৌরম অদুদা ইম্ফাল ইষ্টকী চীফ মেদিকেল ওফিসার-ডা: এল. ইন্দিরা দেবী, জেনিমসকী দাইরেক্তর-ডা: এল. উশারানি য়াওনা অখঙ অহৈ কয়ানা রিবিসকী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

**ককচিং (এল)ঃ** নহারোলশিংবু হিদাক মনাগী পোৎলমশিং শিজিন্নদনবা 'তোবেকো ফ্রি য়ুথ কেম্পেইন' অমা ঙসি ককচিং জিলাদা হৌদোকখ্রে। কেম্পেইন অসি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মখাদা নেসনেল তোবেকো কন্ত্রোল প্রোগ্রাম সেল, দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি-ককচিংনা শিনদুনা পাঙথোকখিবনি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-রোহিত অনন্দনা সাইক্লোথোন রেল্লি অমসু লমথাখি। রেল্লি অদুদা মহৈরোই ৩০ রোমনা শরুক য়াখি। থৌরমসিগী মাংওইননা এন.টি.সি.টিগী মখাদা জিলা থাক্কী ওইবা মীফম অমসু দি.সি. ওফিস কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখি। মীফম অদুদা দিপ্যুতি কম্মিস্নার-রোহিত অনন্দনা মহৈ লোইশঙশিংগী মিটর ১০০ গী অকোইবদা হিদাক মনাগী পোৎলমশিং য়োলহন্দনবা থবক মায় পাকা পায়খৎনবা মরী লৈনবশিংদা খঙহনখি।

**জিরিবাম (এল)ঃ** জিরিবাম জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-কৃষ্ণকুমারনা জিলা অসিগী চিংদোং লৈকাইদা লৈবা লাইরেম্বী শঙলেন চিলদ্রেন হোম অমসুং গুলামচাত চিংদোং চাইল্ড কিয়ার ইন্সটিট্যুট ঙসি য়েংশিনখ্রে।

য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা হোমশিংদা অদুদা লৈরিবা অঙাংশিংগা ৱারী শান্নখি অমসুং মরী লৈনবশিংগা খন্নরবা মতুংদা পীবা য়াবা মতেংশিং পীগনি হায়বগী থাজবা ফোংদোকখি। দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা হকশেল বিভাগকা খুৎশমদুনা অঙাংশিংগী হকশেল চাং নাইনা য়েংশিন্নবা জিরিবামগী দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোটেক্সন ওফিসারদা খঙহনখি। দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা পি.এম.এ.ৱাই.জি. অমসুং পি.এম.এ.ৱাই-য়ুগী মখাদা জিলা অসিদা শারিবা

য়ুমশিংগী ফিভমসু য়েংশিনখি।

**কম্মিসন (এল)ঃ** চীফ মিনিস্তরগী হকশেলগী তেংবাং-সি.এম.ঐচ.টি অমসুং প্রধান মন্ত্রি জন অরোগ্যা য়োজনা স্কিমশিংগী মখাদা লায়েংখিবগী পীথোকফম থোকপা শেনফম পীথোক্ত্রে হায়দুনা লন্নাই হোস্পিতালশিংনা থা অসিগী ৬ তগী দাইলাইষ্টিসকী থবক লেপ্পলগনি হায়না ফোংদোকখিবগী মতাংদা মনিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসননা রাজ্যগী হকশেল বিভাগতা চপ চাবা রিপোর্ট অমা থা অসিগী ২৮ ফাওবগী মনুংদা পীরকবা ঙসি খঙহনখ্রে।

রিপোর্ট অদুদা লন্নাই হোস্পিতালদা সি.এম.ঐচ.টি. অমসুং পি.এম.জে.এ.ৱাইগী মখাদা লায়েংবদা চংখিবা শেল হৌজিক ফাওবগী ওইনা কয়া য়ামা পীখ্রবগে হায়বগী ৱাফম য়াওনা দাইলাইষ্টিসকী থবক মখা তানা লেপ্তুনা চত্থননবা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং অমদি স্কিমশিং অসিগী মখাদা পেসেন্ট কয়া য়ামা দাইলাইষ্টিসকী খুদোংচাবা ফংহল্লিবগে হায়বনচিংবা ৱাফমশিং রিপোর্ট অদুদা পল্লকবসু চেরোল অদুনা খঙহল্লি।

**ত্রাইবেল(এল)ঃ** জন জাতিয়া গৌরফ ভর্সকী শরুক অমা ওইনা ত্রাইবেল রিছার্স ইন্সটিট্যুট মনিপুর অমসুং রাজ্যগী ত্রাইবেল এফিয়ার্স এন্দ হিলস দিপার্টমেন্টনা মনিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিবলপমেন্ট সোসাইতিগা খুৎশমদুনা নুমিৎ মরিনিগী ওইবা নেসনেল ত্রাইবেল ফিল্ম ফেষ্টিবেল অমা থা অসিগী ১২ দগী ১৫ ফাওবা ইম্ফালদা পাঙথোক্কদৌরি।

ফেষ্টিবেল অসিদা শরুক য়ানিংবা ত্রাইবেল ফিল্ম মেকরশিং অমসুং এনিমেটরশিংনা বাইও দাটাশিং থা অসিগী ৭ ফাওবগী মনুংদা থাজিল্লকবা খঙহল্লি।

**বিষ্ণুপুর (এল)ঃ** প্রাইমরো স্কিল এন্দ ত্রেন্নিং প্রাইবেট লিমিটেদনা রাজ্যগী

টুরিজম বিভাগকা খুৎশমদুনা পাঙথোক্কদবা কেবিন ক্রু এন্দ হোস্পিতালিতি সেক্তর ত্রেন্নিং প্রোগ্রামদা শরুক য়াগদবা কেন্দিদেটশিং খন্ননবগী অনিশুবা রাউন্দগী ইন্টরভিয়ু অথুবা মতমদা পাঙথোক্লগনি।

ইন্টরভিয়ু অসিদা শরুক য়াগদবা বিষ্ণুপুর জিলাগী কেন্দিদেটশিংনা থা অসিগী তরেৎ ফাওবগী মনুংদা মেনশিল্লবা ফোর্ম জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারগী ওফিসতা থাজিল্লকবা খঙহল্লি।

**ডেড (এল)ঃ** মতম অমগী মনিপুর ষ্টেট টেরিটোরিয়েল এসেমব্লিগী মীহুৎ ওইরম্বী-লাইফম খুনৌদগী অরিবম বিমোলা দেবী, মশাগী অনাবা অমদগী ঙসি লৈখিদ্রে। মশাগী চহি ৮৮ শুখ্রে। লৈখিদ্রবী বিমোলা দেবী, মনিপুর মহিলা কল্যান সমিতিগী ফাউন্দর সেক্রেটরি ওইরম্বতা নত্তনা মনিপুর ষ্টেট সোসিএল ৱেলফিয়ার এদভাইজরি বোর্ডকী চেয়ারমেনসু ওইরম্মী।

মহাকা লৈখিদবদা মনিপুর এক্স-এম.এল.এ. ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসননা অৱাবা ফোংদোরক্লি।

**বিহারঃ** বিহার বিধান সভা মীখলগী অহানবা তাঙ্কক্কী ভোৎ খোম্বগী মতম ঙসি লোয়খ্রে। তাঙ্কক অসিদা জিলা ১৮ গী বিধান সভা কেন্দ্র ১২১ দা লাক্লিবা শগোলশেল নুমিৎতা ভোট থাদনগনি।

অহানবা তাঙ্কক্কী মীখলগা মরী লৈননা ঙসি বিহারদা মেরা বুথ সবসে মজবুদ প্রোগ্রামগী মখাদা নুপীশিংগা ৱারী শান্নখি। থৌরম অদুদা প্রধান মন্ত্রিনা লাক্লিবা বিহার বিধান সভা মীখল অসিদা এন.দি.এ. অমসুং চুংশিন্নবা কাংবুনা মীখল অসিদা চাউনা মায় পাক্কনি হায়বগী থাজবা ফোংদোকখি। শ্রী মোদিনা হায়-মমাং চহি ২০ দা লৈরম্বা রেকোর্ড থুগায়দুনা এন.দি.এনা চাউনা মায় পাকহনবা হায়বসি বিহারগী মীয়ামনা চপ চানা লেপলে। বিহার চাউখৎহনবা হায়বসি এন.দি.এ. খক্তনা ওইথোকহনবা ঙমগনি।

বিহার বিধান সভা মীখলগী অনিশুবা তাঙ্কক্কী ভোৎ খোম্বগী থবকসু কনখৎলে। রাজনিতি দলশিংনা অমনা অমবু হুন্দুনা ঙাংনবা, য়ুম য়ুম চংদুনা ভোৎ খোম্বা, রোদ শো পাঙথোকপা, মীখলগী রেল্লি পাঙথোকপনা মপুং ওইবা শক্তম ওইরি। অনিশুবা তাঙ্কক্তনা জিলা ২০ গী বিধান সভা কেন্দ্র ১২২ দা ভোৎ থাদনগনি। ভোৎ থা অসিগী ১৪ দা মশিং থিগনি।

**ফিল্ম(এল)**ঃ ভারতকী অৱাং নোংপোক লমগী ফিল্ম মেকরশিংগী অখন্নবা এদিসন য়াওবা হাইদ্রবাদ ইন্তরনেসনেল সোর্ট ফিল্ম ফেষ্টিভেল ২০২৫ মথং থাগী ১৯ দগী ২২ ফাওবা পাঙথোক্লগনি হায়রি। দাদা সাহেব ফালকে স্কুল ওফ ষ্টদিস অমদি তেলঙ্গনা ফিল্ম দেভলপমেন্ট কোরপোরেসনগা খূৎশমদুনা শিনবা ফিল্ম ফেষ্টিভেল অসিগী কম্পিতিসনদা শরুক য়ানবা ফিল্ম মেকরশিংনা থা অসিগী ২০ ফাওবদা মশা মশাগী ফিল্ম থাজিল্লকবা ফেষ্টিভেল অসিগী দাইরেক্তরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

**পোলো**ঃ মনিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসনগী মখাদা চথরিবা ৩৮ শুবা এন.হজারি এন্দ ডা: এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-থাংমৈবন্দ য়ুথ পোলো ক্লবনা ব্লেক ৱাটস পোলো ক্লব-বাবুপারাবু পাঞ্জল ৫-৪ থোইখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা অসাম রাইফলস পোলো টিম (এ) না মনিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব টিম (বি) বু পাঞ্জল ৬-৩ দা থোইখি।

**ফুটবেল ঃ** জেলিয়াংরোং ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিনদুনা হৌজিক চথরিবা ১৪ শুবা জাদোনং মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্টতা এস.কে.ৱাই.সি-শওম্বুং ফাইনেল চংলে।

সাই গ্রাউন্দ তাকয়েলদা ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেলদা শওম্বুংনা

কে.এফ.এ-কাখুলোংবু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখিবনি।

**ফুটবেল ঃ** সেক্তর হেদ ক্বাটর-সি.আই. ওপরেসন, বি.এস.এফ. মনিপুরনা শিনদুনা লমলোং তব গ্রাউন্দদা চথরিবা লৈখিদ্রবা বির চক্র ফংখ্রবা কন্সটেবল-দিপক চিংঙাখমবু ইকায় খুমবা উৎতুনা চথরিবা ষ্টেট লেবেল অন্দর ফিফটিন বোইজ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবদা মৈরা এফ.সিনা থোই-এফ.সিবু পাঞ্জল ৪-১ দা থোইখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা-পান্দম এফ.এফনা খুন্মন এফ.এবু পাঞ্জল ৪-০ দা থোইখি।

**ফুটবোলঃ** পোল ষ্টার কলেজ-ৱাবগাইনা শিনদুনা চথরিবা অয়েকপম প্রতাব সিংহ মেমোরিএল মনিপুর য়ুনিভরসিতি ইন্টর কলেজ ফুটবোল টুর্নামেন্টগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-নম্বোল এল. সনোই কলেজ টিম লাক্তবদগী মনিপুর য়ুনিভরসিতি টিম ৱাক ওভর লৌখ্রে।

অতোপ্পা মেটচশিংদা-বিরমঙ্গোল কলেজনা ৱাই.কে. কলেজ ৱাংজিংবু পাঞ্জল ৬-১, লিলোং হাউরৈবী কলেজনা রিজনেল কলেজবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে।

**ক্রিকেটঃ** ভারত রতা শ্রীঅতল বিহারি ভাজপায় একনা ক্রিকেট ষ্টেদিয়ম-লক্ষনৌদা চথরিবা নুপীগী চহি ১৯ মখাগী টি-টৌইন্তি ত্রোফি প্লেট ফাইনেলদা মিজোরামনা মনিপুরবু রন-৭২ দা মায়থিবা পীরক্লে।

অমরোমদা, পঞ্জাবতা থা অসিগী ৯ দগী পাঙথোক্কদবা ষ্টেট (এ) ত্রোফি-২০২৫-২৬ তা শরুক য়াগদবা শান্নরোই ১৫ অমসুং সপোর্ট ষ্টাফ ৯ খল্লে হায়না মনিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসনগী চেরোল অমনা হায়রি।

**ফেন্সিংঃ** ইম্ফালগী খুম্মন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা চথরিবা ২৭ শুবা সব জ্‌নিয়ার নেসনেল ফেন্সিং চেম্পিয়নসিপতা সাব্রে বোইজ ইন্দিবিজ্‌য়েলদা পঞ্জাবনা সনাগী তকমান, নুপীগী ইন্দিভিজ্‌য়েলদা মনিপুরনা সনাগী তকমান ফংলে।

সাব্রেস গালর্স টিমদা হরিয়ানানা সনাগী অমসুং নুপাগীদনা পঞ্জাবনা সনাগী তকমান ফংলে।